হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জন্যুৱারী ১৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৯২শুবা মশীং

# কোভিদতা লোইনা তাইনরগদ্রা
## তৌরগে হায়বা অমা য়াওনা তৌগদবনি

হৌজিক মপুন্সি লোইশিল্লক্লবা বি জে পিনা লুচিংলক্লিবা লৈঙাকসি কুমজা ২০১৭কী মার্চতা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদুদা মীয়াম্না পীরকখিবা মেন্দেটতুগী মতুংইন্ননি। মার্চ ১৫, ২০১৭তা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা লৈঙাক লিংখিবদা ওপোজিসন কোংগ্রেসনা গভর্ণরগী থৌশিল অন-কন্সটিট্যুসনেল ওইবা থৌওংনি হায়খি। মরমদি অপূনবা সিট ৬০গী মনুংদা এম এল এ ২৮ কারকখিবা কোংগ্রেসতা লৈঙাক শেম্নবা হায়খিদ্রগা ২১ খক্তমক কারকপা বি জে পিদা লৈঙাক শেমহনখি হায়খি। হৌজিক ফাওবদা হায়বা তোক্ত্রি। ৱাফমসিনা দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন চৎনরিবা লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসনগী ওইবা ৱাফমনি। চৎন-কাঙলোনদা অদু লৈ, অদা লৈ হায়বগী ৱানি। ফজ-ফজখ্রবা লৈবাকসিগী এক্ট, রুল অমসুং লোশিং ঐখোয় শ্বাই য়ৌরকপদা লংফৈ চৎলুরগা ইরুজথোকপদৌনা অহোংবা, অওনবা হেক্তা নাইরকই। মসিবু চীংলোন ৯ লান্দুনা লাকপগী হৌনবী মওইরিদ্রা? অদুবু ৱাফমসিনা তোঙান্না থমখ্রকান্দা গভর্ণরনা লৈঙাক শেম্ননবা হায়খ্রিবদু এম এল এ ৪/৫ খক্তা কারকখিবা এন পি পি অমসুং এন পি এফতদি নত্তে। এম এল এ ২১ কারকপা বি জে পিদনি। অদুগা বি জে পিনা হায়রিবা মশীংসি য়ৌনা কারকখ্রিবদুসু দেল্লীদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈবদগী, লৈঙাক্তুনা ফৈগাক ফৈনা লেপখিবা ঙাক্তনসু নত্তে। চহী ১৫ চূপ্না টর্ম অহুন্নক লৈঙাক পায়রকখিবা কোংগ্রেসনা মীয়ামগী থবক কোকথোং অমা তৌখ্রবসু অহোংবা অওনবা অমা পান্নকখিবদগী ওইহনখিবা মণিপুরগী পোলিটিক্সকী অনৌবা মায়থোঙনি। চহী ১৫ চূপ্না চারকপদগী মহাউ ফজনা খঙলবা মণিপুরগী মীয়াম্না অনৌবা মথেল অমমুক থিরকখ্রিবদু ষ্টেটসিগী মীয়াম্বু চিলহাও থিগনবা, অনৌ-অনৌবা পামগনবা, চাবা পেৎপনি হায়দুনা লৌরুবসু লানগনি। টর্ম অহুন্নক খুজেং পালোইননা চৎমিন্নরক্লগা শেৎন-খায়ননিংবা য়াওরক্লিবদুগী মরমশিং কোংগ্রেসনসু পাঙথোক্লগদবা অনৌবা মীখলসিগী মমাঙদা প্রপ-প্রপ থিদোকহৌবা কানগনি হায়নীংই।

অদুগা মণিপুরগী মীয়াম্না বি জে পিদা এম এল এ ২১ য়ৌনা কাহল্লকখ্রিবদুদি সিঙ্গল লার্জেষ্ট মেজোরিটি ফাওবা য়ৌহনবা ঙমখিদ্রবসু হান্নদগী লিশাং শিংনা চৎমিন্নরকখিবা কোংগ্রেস মখা শাংথনা শাগোন্নবা পামদবা য়াওরকপদগীনি হায়বসিমসু পুমচুম চুন্নবা ৱাফমনি। অদুবু হায়নীংলিবদি এম এল এ ২১ য়ৌনা মায় পাকহল্লকখিবা, লৈঙাক খূৎপায়নদুনা শেম্বা য়াবগী য়ৌনীংচিৎ ঙকয়া য়ৌনা ইনখৎপীরকখিবা মীয়ামদুনা পার্টি অসিদা থমখিবা থাজবদুগী মতুংইনবা থবক থৌরমশিং মতোল লোম্না ফংজবা ঙমখিব্রা হায়বসিনি। খল্লম্বা, থম্নম্বা থাজবা অমসুং তৌথোরক্কনি খনবশিংদু মনিং থুংখিদ্রগদি ফেব্রুৱারী ২৭, ২০২২ অমসুং মার্চ ৩, ২০২২দা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা অনৌবা মীখলসিদা মদুগী খূৎফম অমসুং মমি তারক্লোইদ্রা হায়বগী ৱানি। অদুগা অমরোমদনা, বি জে পিনা লুচিংলক্লিবা লৈঙাকসিনা মণিপুর মীয়ামগীদমক্তা তৌগনি, পাঙথোক্কনি হায়খিবশিং, পায়খৎপসু হৌরম্নগা লোইশিনবা ঙমহৌদ্রবা ময়ামসি মতম চানা লোইশিন্দুনা মীয়ামদা মসিগী কানবশিং ফংহনবা ঙমদ্রিবশিং অসিগী মরম্না কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মতম শাংনা মায়োক্নদুনা লাকপদগীনি হায়দুনা কোভিদতা লোইনমক তাইশিনবা য়াগদৌরিব্রা হায়বনি। মরমদি লোইশিল্লক্লবা লৈঙাকসি মার্চ ১৫, ২০১৭তা ৱাশক লৌদুনা লিংলকখিবনি। অদুগা মণিপুরদা কোভিদ পেন্দমিক য়ৌশিল্লকখ্রিবনা কুমজা ২০২০গী মার্চকী অরোইবা চয়োলদগীনি। অদুনদি লৈঙাক পায়রকপদগীনা পেন্দমিক মায়োক্নরক্ত্রিঙৈগী মমাঙ ফাওবদা চহী ৫গী টর্মগী মনুংদা মপূং ফানা চহী ৩গী মতম ফংখ্রবনি। অদুবু কোভিদ পেন্দমিক মায়োক্নরকখিবদগীদি মতম কক্তবা লোকদাউনগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরুরে। হৌজিকসু নাখৈ শেংদ্রি। লায়নাসি লাইমন মখাক ওইনা লৈরকপগী মথক্তা 'ওমিক্রোন' হায়বা অনৌবা লৈচল অমমুক হাপচিল্লক্তুনা পোৎলুম মশীং য়ামখৎলক্লি। অদুবু চহী অমা মখায়রোম হেন্না পেন্দমিক মায়োক্নখ্রবনি হায়দুনা লোইশিন-খমজিনবা ঙমহৌদ্রবা থবক ময়ামসি তমথীরবা লায়নাসিদা লোইনমক তেকচাক নমদুনা তাইশিনবা য়ারগদ্রা হায়বনি। মরমদি কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়র ঙাক্না চৎনবা হোৎনবদা অমসুং চৎলিঙৈদা ঙমহৌদবনি হায়দুনা তাইশিনবা য়ারোইদবা কয়া য়াওরি। মসিদি ফাইনান্সিএল একাউন্টেবিলিটি ঙাক্না অমসুং ত্রান্সপরেন্সি লৈনা থবক পাঙথোকখিদবদগীনি হায়বদা হেঞ্জিনবা ৱাফম ওইরোই। অচুম্বা অশেংবা ৱাফম শোয়দনা ওইগনি। অদুবু হৌজিক করি শারে। মায়বনা খূৎ থারগা খাঙেনফম য়ৌরবা মীগা পাংখক ওইরে। ইলেক্সন সেদ্যুল লাউথোকখিবগা ইরোয়ননা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টসু চৎনহল্লক্তুনা শ্বর শৎখিবদগী করিমত্তা তৌবা য়াদ্রে। শঙ্গাবা য়াদ্রে, উরেপ উয়ুং তম্বসু য়াদ্রে। মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টসিসু পাঙথোক্লগদবা মীখলগী হৌনবীনি। অদুবু মীয়াম্না য়ানীংলোইদবা, মীয়ামগী ওইদবা লম্বীদা খোঙ থাংবা খরদি য়াওখ্রে হায়বসিদা য়ানীংফম থোকই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৪

১) *"দেবম"* হায়বা অঙাংগী নোভেল অসি ওরিজিনেল করি লোলদা কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) **"শোক্লবা থম্মোয়গী খোল্লাউ"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"নুংশি ৱারী"** হায়বা নোভেল অসি কনানা ইবনো?

৪) *"চোলোম পরেং"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) ***"তাইবঙ নমু পোংওইবশিংনা কোরৌ নোংজা খুদিংবু, পূক্লিং ৱারৈচল পায়মা হকশোল লাংনা অৱাবা ৱাখল্লবা পামেন উফাল অকায়বদা ফম্না তরা খূৎপুন হুক্লবা। নুমিদাং ইনুং য়াচঙবদা মিৎয়েং নাওসুমলবা। মোমনু নুজা মথোক কারকপীবু পানগন খূৎঙমথীনা, হৈরাং শংনা চারবা। নমু মীরমচৎ অসিগুম্বশিংদি। শীঙেল নাৱোইদোংনা; পমেন উমং ঙান্না শাৎলিদি হায়ববু; লৈরাং লৈমন য়াওদবনা, শীংলেল মাবু লৈথানদবা অদুগুম্বনে।"***
ৱারেং মতেক অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# স্মার্টফোন অমদা হাপচিনবা য়াবা, উবা ঙমদববু উবা ঙমহল্লিবা অনৌবা সেন্সর

সাইন্সকী খোঙচৎ
**কুঞ্জো নাওরেম**





হৌজিক্কী পুন্সি মহিংসিদা সেন্সরশিংনা লম্ কয়াদা কানবা পীরক্লি। স্ক্রীন টচ দিভাইসশিং, স্মার্ট ৱাটচ, স্মার্ট ৱাটর তেপ, মী অমদা লাইহৌ লৈ নৎত্রগা লৈতে খঙহনবা ঙম্বা ইনফ্রারেদ থর্মোমিটর ... নচিংবা কয়া লৈরে। মতৌ অসুম্না, স্মার্টফোন অমদা হাপচিনবা য়াবা, নিয়র-ইনফ্রারেদ সেন্সর অমা Eindhoven য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্নোলোজিগী থিজিন-লূপ অমনা শাবা ঙল্লে হায়রি। সেন্সর অসি ইন্দষ্ট্রিঅল প্রোসেস মোনিটরিং অমসুং এগ্রিকলচরগী লম্দা খুদক্কী ওইনা শীজিন্নবা য়াই। সেন্সর অসিনা শঙ্গোম অমসুং প্লাষ্টিকশিংদা য়াওরিবা কেমিকেলগী মচলশিংবু এনালাইজ তৌবসু ঙম্মী হায়না 'নেচর কম্যুনিকেসন্স' তা ফোঙদোরক্লি।

মীওইবা ঐখোয়গী মীৎকী রেটিনাদা সেল মখল অনী - রোদস অমসুং কোন্স য়াওই। মঙালনা রেটিনা য়ৌরকপা মতমদা কোন্স সেলশিংগী মখল অহুম্না মঙালদা য়াওরিবা ভিজিবল লাইটকী শরুক অদুবু সিগনেলশিংদা ওন্থোকখি, হায়বদি চঙলক্লিবা মঙালদুগী মতুংইন্না, তোঙান তোঙানবা মচু অহুম (অঙাংবা, অশংবা অমসুং হিগোক) গী য়ানশিন্নবা সিগনেলশিংদা ওন্থোকখি। অসিগুম্বা সিগনেলশিং অসিনা ওপ্টিক নর্ভ ফাওরগা থোপ য়ৌখি। থোপ্না সিগনেলশিংদুবু পূনশিল্লগা পোৎ অমগী মচু/মচুশিংদু খঙবা ঙমহল্লি। মতৌ অসুম্না, ঐখোয়না অশংবা হৈনৌনা শিল্লি অদুগা অমুনবা/ঙাংশিল্লবা হৈনৌনা থুম্মী হায়বগী সেন্সতুবু খঙহনবা ঙম্মী। সনলাইট/অঙৌবা মঙাল অসিদা মীৎনা উবা ঙমদবা মঙাল/ইনভিজিবল, মরু ওইনা অলত্রা-ভাইওলেট অমসুং ইনফ্রা-রেদ (মৈশা ওইনা ফংলিবা) য়াওই। মসিগী ৱাহন্থোক্তি অলত্রা-ভাইওলেট অমসুং ইনফ্রা-রেদশিংদা সেন্সিটিভ ওইবা সেলশিং রেটিনাদা য়াওদে হায়বনি।




মীওইবগী হকচাংগী কয়াৎশিংদা অশোনবা কয়ামুক লৈরি। অসুম্না মীওইবগী মীৎনা মহৌশানা লৈজরম্লবা নুমিৎ মঙালগী শরুক পূম্নমক উবা ঙমদে। অদুবু মান্টিস শ্রিম্প হায়না খঙনবা জীব অসিগী মীৎতদি, অলত্রাভাইওলেট, ভিজিবল অমসুং নিয়র-ইনফ্রারেদ লাইটতা সেন্সিটিভ ওইবা, তোঙান তোঙানবা সেল মখল ১৬ য়াওই; অদুনা জীবসিনা অলত্রাভাইওলেট অমসুং নিয়র-ইনফ্রারেদপু উবা ঙম্মী হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ এপ্লাইদ ফিজিক্সতা ফোটোনিক্স অমসুং সেমিকন্দক্টর নানোফিজিক্সকী রিসর্সর ওইরিবা Kaylee Hakkel না ফোঙদোক্লি। ইন্দষ্ট্রি অমদি এগ্রিকলচরদা শীজিন্ননবগীদমক ইনফ্রারেদতা লৈরিবা স্পেক্ত্রমবু ওনবা হায়বসি য়াম্নমক পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাইনি, অদুবু অরুবা ফীভম অমদি হৌজিক শীজিন্নরিবা নিয়র-ইনফ্রারেদ স্পেক্ত্রোমিটরশিংসি য়াম্না চাউই অমসুং মমল য়াম্না তাঙই হায়না মহাক্না মখা তানা হায়রি।

অসিগুম্বা অরুবা ফীভমসিবু Hakkel অমসুং মহাক্কী কোলাবোরেটরশিংনা অপিকপা চিপ অমদা হাপচিনবা য়াবা নিয়র-ইনফ্রারেদ সেন্সর অমা শেমগৎতুনা কোকহল্লম্মী।




নিয়র-ইনফ্রারেদ সেন্সরগী ক্রোস-সেক্সন

মান্টিস শ্রিম্পকী মীৎকা মান্নবা মওংদা, সেন্সর অসিদা তোঙান তোঙানবা সেন্সর ১৬ য়াওরম্মী অদুবু মসি নিয়র-ইনফ্রারেদতা সেন্সিটিভ ওইরম্মী। থিজিন লূপ অসিনা মায়োক্নখিবা শীংনবা অমদি সেন্সরশিংদুবু য়ারিবমখৈসু পিকহল্লগা মমলসু হোঙহন্নবা হোৎনখিবা অদুনি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি।

দিপার্টমেন্ট ওফ এপ্লাইদ ফিজিক্স অমসুং Eindhoven Hendrik Casimir Institute কী Andrea Fiore না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না অসিগুম্বা টেক্নোলোজিগী মরমদা চহী কয়ামুকসি থিজিন্দুনা লাকখিবনি, অদুবু হৌজিক্তি স্পেক্ত্রল সেন্সরশিংবু চিপ অমদা পুনশিন্নহনবগা লোয়ননা দেটাশিংবু মপূং ফানা শীজিন্নবসু ঙল্লে হায়রি। মহৌশানা সেন্সর অমনা মঙালবু ওনবা মতমদা, থোরক্লিবা সিগ্নেলদু শীজিন্নদুনা মেটরিঅল অদুগী ওপ্টিকল স্পেক্ত্রম নৎত্রগা ওপ্টিকল ফিঙ্গরপ্রিন্ট অদুবু রিকন্সত্রক্ট তৌই। সেন্সিং অলগোরিদম শীজিন্নদুনা দেটাদুবু এনালাইজ তৌই। অদুবু থিজিন লূপ অসিগী থবকসিদদি স্পেক্ত্রল রিকন্সত্রক্সনগী মথৌ তারমদে। অতোপ্পা ৱাহৈশিংদা হায়রগা, সেন্সরশিংনা থাদোরকপা সিগনেলশিংদু হকথেংননা এনালিসিস অলগোরিদমদা থাখি। মসিনা খূৎলায় অসিবু শীজিন্নবদা হেন্না লায়হল্লি হায়না Fiore না হায়রি।

থিজিন লূপ অসিনা সেন্সর অদুবু চাংয়েং কয়ামুক পাঙথোক্তুনা চাং য়েংলম্মী। মখোয়না শঙ্গোম য়াওনা মেটরিঅল কয়াদা য়াওরিবা ন্যুত্রিশনল ভেল্যুশিং ওল্লম্মী। মখোয়গী সেন্সর অসিনা হৌজিক শীজিন্নরিবা স্পেক্ত্রোমিটরশিংনা ওল্লকপা শঙ্গোমদা ফেট য়াওবগী চাংদুগা য়াম্না মান্ননা ওনবা ঙমখি। অদুগা সেন্সরসিগী মতেংনসু তোঙান তোঙানবা প্লাষ্টিকশিংবু কাঙলূপ খায়দোকপসু ঙমখি হায়না 'ষ্টার্টঅপ কম্পেনি মল্টিস্পেক্ত্রা' দসু থবক তৌরিবা Maurangelo Petruzzella না ফোঙদোক্লি।

শঙ্গোমগী ন্যুত্রিশনল ভেল্যুশিংনা মসিগী ইকনোমিক ভেল্যু তাকই অমসুং সেন্সর অসিনা অসিগুম্বা ভেল্যুশিংসি চপ চানা ওনবা ঙম্মী। মসিগীসু মথক্তা, অসুম্না ওনবগী থবকসি ষণবী অমগী হকশেলবু চপ চানা মোনিটর তৌবদসু শীজিন্নবা য়াগনি। সেন্সরসি শীজিন্নরগা প্লাষ্টিকশিংগী মশক খঙদোক্লগা অমোৎ অকায় ওইরবা প্লাষ্টিকশিংবু মখোয়গী তুম্বা ঙম্বগী চাংগী মতুংইন্না কাঙলূপ খায়দোকপা নৎত্রগা রিসাইক্লিং তৌনবগীদমক কাঙলূপ খায়দোকপা য়াগনি হায়রি। মসিগীসু মথক্তা, সেন্সর অসিবু মী অমনা মশাগী হকশেলগী মরমদা য়েংশিঞ্জবা, প্রিসিজন এগ্রিকলচর (উহৈ অমনা মুনবগী চাং, মনা-মশিং অমনা মপূং ফারকপগী চাং লেপথোকপনচিংবা), প্রোসেস কন্ত্রোল অমসুং লেব-ওন-চিপ টেষ্টিংনচিংবগী লম্শিংদা শীজিন্ননবা শেমগৎপা য়াগনি হায়নসু থিজিন-লূপ অসিনা থাজবা থল্লি। অহানবগী ওইনা থিজিন-লূপ অসিনা কম্পেনিশিং অমসুং রিসর্স ইন্সটিট্যুটশিংনা শীজিন্ননবগীদমক 'SpectraPod™' হায়রিবা কিটসি শেমগৎপা লোইরে। অদুবু মখা তানা শেমগৎলবা মতুংদদি, সেন্সরসি মী খুদিংমক্কী স্মার্টফোনশিংদা হাপ্পুনা :

১) মী খুদিংমক্না, মখোয়না চারিবা চিঞ্জাক্তুদা য়াওরিবা ন্যুত্রিসন ভেল্যুশিং, অদুগা চিঞ্জাক অদু পুম্বা হৌরক্লব্রা হায়বনচিংবা য়েংশিনঞ্জবা;

২) মী অমনা মশাগী হকশেলগী ফীভম য়েংথোকচবা; অসিনচিংবা থবকশিংদসু শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি। মতৌ অসুম্না মীৎনা উবা ঙমদবা ইনফ্রারেদ লাইটকী সেন্সর অসিনা মীৎনা উবা ঙমদবা পোৎশিংগী মগুনশিং তাকপা ঙল্লকপা হায়বসিমক তাইবঙপান্দা পীবা অচৌবা খুদোল অমনি হায়না লৌবা য়াই। ●

# অমেরিকানশিংনা জিম্নাষ্টিক্সতা খুমাঙ চাওশিল্লকপা

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

ওলিম্পিক গেমসকী থৌরাংশিংগী মনুংদা ভাবক্না খ্বাইদগী হেন্না য়েংনীংবশিংগী মনুংদা জিম্নাষ্টিক্সসু অমনি। অদুবু মশান্না অসি হোল অমগী মনুংদা পাঙথোকপা মরম্না ভাবক মশীং য়াম্না য়েংনবা মফম লৈতবনিনা মশান্না অসিবু মীয়াম্না টেলিভিজন্দা মালেম শিনবা থুংনা য়েংনরি। পাওল হেমগা নোংমতদা পোকমিন্নবা ফাইবোক পাওল মোরগানগা কুমজা ২০০০দা সিদনিদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকী জিম্নাষ্টিক্স থৌরমদা শরুক য়াখিবদা মোরগান্না 'ফ্লোর' কম্পিটিসনদা ফাইনেল চঙখি অদুগা পাওল হেমনা 'ওল রাউন্দ' দা ১৪শুবা পোজিসন্দা লৈখি। মথংগী চহী ২০০১দা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবদা মহাক্কী মমায় অদু বার (Bar) দা য়ৈশিন্দুনা মহাক য়াম্না থীনা শোকখি। কুমজা ২০০৩ য়ৌরকপা মতমদদি পাওলনা ৱর্ল্ড জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা ওল রাউন্দ চেম্পিয়নশিপ তাদুনা মমিং য়াম্না চৎখি। মরম অদুনা মথংগী চহীদা এথেন্স সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা মহাক্না থৌরম অসিদা মায় পাক্কনি হায়না য়াম্না থাজনা চৎখি অদুবু মহাক্কী লম্বাদি কুমজা ২০০৩গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা অনীশুবা তাখিবা চাইনাগী জিম্নাষ্ট য়াঙ ৱৈ (Yang Wei) ওইখি। ওলিম্পিক্কী অথোই অহেন তান্নবা অদুদা পাওল হেমনা ক্বালিফায়িং রাউন্দদা পোইন্ট খ্বাইদগী ৱাংনা ফংখি। মহাক্কী মথংদা য়াঙ তি-য়ঙ কৌবা কোরিয়া মচা অমনা অনীশুবদা লৈখি। ক্বালিফায়িং পোইন্টকী মতুংইন্না ফাইনেল অদুদা এথলিট তরুক/তরুক য়াওবা গ্রুপ মরি খায়দোকখি।

গ্রুপ মরি অদু তোঙান তোঙানবা শান্নফম মরিদা হায়বদি (১) ফ্লোর এক্সর্সাইজ (২) পেরেলেল বার (৩) হায় জম্প অমসুং রোমান রিংদা অথোই অহেন তান্নহনবদা অমেরিকাগী পাওল হেমনা পোইন্ট খ্বাইদগী য়াম্না ফংখি। মহাক্কী মথংদা চাইনাগী য়াঙ তি-য়োঙনা অনীশুবদা লৈখি। ক্বালিফায়িংগী পোইন্ট য়েংলগা শান্নরোয় তরুক তরুক্না শাবা গ্রুপ মরি খায়দোক্লগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনহল্লি। গ্রুপ মরি অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমদা হায়বদি অহানবা গ্রুপনা ফ্লোর এক্সর্সাইজ, অনীশুবা গ্রুপনা পেরেলেল বার, অহুমশুবা গ্রুপনা হায় বার অমসুং মরিশুবা গ্রুপনা রোমান রিংদা অথোই অহেন তান্নবা হেক লোইবগা খুদম ওইনা ফ্লোর এক্সর্সাইজ তৌখিবা গ্রুপ অদুনা রোমান রিংদা, রোমান রিং তৌরম্বা অদুনা হায় বারদা অমুক শরুক য়ারুবনচিংবা মথং মনাও নাইনা থৌরম পাঙথোকপনি।

অহানবদা হেমনা ফ্লোর এক্সর্সাইজগী থৌরমদা য়াম্না হৈনবা মরম্না স্কোর খ্বাইদগী ৱাংনা ফংখি অদুবু য়াঙ ৱিইনা তানখৎলক্তুনা হেমগী পোইন্ট অদু য়ৌগদবা .০৩৮ খক্তমক ঙাইখ। মরিরকশুবা থৌরম ভোল্টদা হেমনা Kasamatsu -1½ Twist হায়বা আইটেম অদু পাঙথোকখিবদা, মহান্না মথক্তগী হেক তারকপদা নিংথিনা লেপ্পা ঙমখিদে। মহান্না চোংখৎলগা তারক্লবা থল্লিবা মেট অদুদা তাবা ঙমখিদে। মদুগী মপাল নক্না তাখিবনা পোইন্ট ৯.১৩৭ ফংখিদুনা ১২শুবা পোজিসন্দা লৈখি। হেমগী কোচ মাইলস অভেরিদি অফবা ৱাখলদা লৈ। মহান্না হেমদা অসুম্না হায় মদুদি 'নঙনা অরোইবগী এপ্পারেটসকী থৌরম অনী অসিদা পোইন্ট ৯.৮/৯.৮ ফংবা ঙল্লবদি নহান্না ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংগনি। তাল্লক অদুদা চাইনাগী য়াঙ ৱিয়না পেরেলেল বারগী চাংয়েং পীখি। মদুদা মহান্না মকোক্তা লৈখি। মঙাশুবা রাউন্দদা হেমনা মহাক্কী পুন্সিদা খ্বাইদগী ফবা মতিক মগুন অদু উত্তুনা পোইন্ট ৯.৮৩৭ ফংদুনা মরিশুবা পোজিসন্দা হাইগৎলকখি। মতম অসিমক্তদা চাইনাগী য়াঙ ৱিথ (য়াঙ ৱিয়ই) না হায় বার হায়না খঙনবা থৌরম অদুদা মহাক্কী মখূৎ অদু নাম্থোরকপদগী পোইন্ট ৮.৯৮৭তা হন্থখিদুনা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈখি।

অমরোমদা রোমানিয়াগী আইওন সুশিয়ুনা ভোল্টকী থৌরমদা Kasamatsu -1½ Twist হায়না খঙনবা আইটেম অদু পাঙথোক্লবদি পোইন্ট ৯.৭৩৭ ফংগনি হায়দুনা পাঙথোক্নবা হোৎনবদা হেন্দষ্টেন্দ তৌবদা বেলেন্স মাঙখিদুনা, মশা অদু নিংথিনা কন্ত্রোল তৌবা ঙমখিদে। মহাক্কী স্কোর অদু ৯.৩১২ ওইখি অদুনা সনাগী মেদল ফংবগী আশা অদু মাঙখি। য়াঙ তি থাঙসু মেদল ফংবগী আশা লৈখি মদুদি মহান্না রিংদা পোইন্ট ৯.৭২৫ Kasamatsu ½ ভোলটতা পোইন্ট ৯.৭০০ ফংখি। অদুবু মীয়াম্না খঙলমদবা খা-কোরিয়াগী চহী ১৯ শুরবা কিম দি-ইউন অমসুং য়াঙ-তি-য়ঙ নুপামচা অনী অসিনা মকোক মথংদা লৈবা মতমদা কম্পিটিসন অসি লোইগদবা রাউন্দ অমা ৱাৎলমখি।

য়াঙ-তি-য়ঙগী মঙাশুবা রাউন্দগী পেরেলেল বারদা বারগী পোইন্ট স্কোরিংদা অচৌবা ঈরাং অমা থোক্কনি, অচৌবা স্কেন্দল অমা থোক্লবা য়াই হায়বা মীয়াম মরক্তা খঙনরকপা য়াওরমখি।

Kim Dai-Eun না 'ফ্লোর' গী থৌরমদা পোইন্ট ৯.৬৫০ ফংখিবদা ভাবক খুদিংমক হরাওখি অদুবু কোরিয়াগী য়াঙ-তি-য়ুঙ কৌবামহাক্না লাকমিন্নবা অদুনা কিমদগী অপূনবা পোইন্টদা হেনগে হায়রবদি পোইন্ট ৯.৫১২ ফংবা তারম্মী। মরম অদুনা মহান্না Stalder-Tkatchev হায়না খঙনবা অরুবা থৌরম অদু পাঙথোকপদা মহাক অশোয়বা খরা য়াওখি। মরম অদুনা মহাক্কী স্কোর অদু ৯.৪৭৫দা হন্থদুনা অনীশুবা তাখি। মদুদা খ্বাইদগী অরোইবা থৌরম অদু পাঙথোকখিবা শান্নরোয়দি অমেরিকাগী পাওল হেমনি। মহাক্কী য়াম্না চম্বা ৱাখলদা অকিবা লৈতনা মহান্না হৈজবা হীরমশিং অদু নিংথিনা পাঙথোকখি। মদুদা মহাক অহুমশুবা তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা য়াই হায়না খন্দুনা লৈরম্মী। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী স্কোর অদু ৯.৮৩৭নি হায়না লাউথোরকপদা মহাক গোল্ড মেদল ফংগনি হায়বা থাজখিদে। মহান্না পূন্না পোইন্ট ৫৭.৮২৩ ফংবা মতমদা অনীশুবা তাখিবা কোরিয়া মচা কিম দিয়-উননা পোইন্ট ৫৭.৮১১ ফংখি। অহুমশুবা তাখিবা কোরিয়া মচা য়াঙ-তি-য়ঙনা পোইন্ট ৫৭.৭৭৪ ফংখি। অনীশুবা লাঞ্জালগী মতুংদা রসিয়া মচাশিং অসি জিম্নাষ্টিক্সতা মাঙজিল য়াম্না থাবা শান্নরোয়শিং ওইরম্মী। কুমজা ১৯৫৬তা মেলবোর্নদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা সোভিয়েট লৈবাক্কী চহী ৩৫ শুরবা ভিকটর চুকারিনা জপানগী তকাশি ওনোদগী পোইন্ট .০৫ খক্তমক হেন্দুনা জিম্নাষ্টিক্সতা ওল রাউন্দ চেম্পিয়ন অমুকসু অনীরকশুবা ওইনা ফংখি। মহান্না পেরেলেল বারদা মকোক, ফ্লোর এক্সর্সাইজদা অনীশুবা, পোমেল হোর্সতা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবা মতমদা তাকশি ওনোনা হোরাইজোন্টেল বারদা অহানবা, পোমেলদা অনীশুবা অমসুং পেরেলেল বারদা অহুমশুবা তাখি। মখোয় অনীনা মেদল লৌবদা ফংখিবা পোইন্টশিং তিনশিল্লগা ওল রাউন্দ ইন্দিভিজুএল চেম্পিয়ন খনবদা ভিক্টর-চুকারিননা পোইন্ট ১১৪.৫ ফংবা মতমদা তকাশি-ওনোনা পোইন্ট ১১৪.২০ ফংখি। জিম্নাষ্ট অমনা মহান্না পাঙথোক্লিবা পর্ফোর্মেন্স অদুগী মতুংইন্না পোইন্ট ফংই। চুকারিননা পেরেলেল বারদা মকোক ওইবা মতমদা পোইন্ট ১৯.২ ফংখি। তৌইগুম্বসুং মহান্না হোরাইজেন্টেল বারদা পোইন্ট ১৯.২৫ ফংদুনা মরিশুবা পোজিসন তাখি। ওজা ওইবগী শিনফমদা চঙদুনা মহৈ মশীন তম্বিরিবা ভিক্টর-চুকারিন ওলিম্পক অসিদা সনাগী মেদল অহুম, লুপাগী ১, শেঞ্জেংগী ১ অসিগা হৌখিবা কুমজা ১৯৫২, হেলসিনকি ওলিম্পিক্তা ফংখিবা সনাগী ৪, লুপাগী ২গা পূনশিল্লগা সনাগী মেদল ৭, লুপাগী ৩, শেঞ্জেংগী ১ ফংদুনা পূন্না ওলিম্পিক্কী মেদল ১১ গী মপু ওইখি। ●